# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-03-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম হনজিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথ্খদুনা লাক্লি।

চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্বগী থবক চথ্খি। মদুদা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা য়ু.এসতা শাবা ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী এম. ফোর এসোল্ট রাইফল অমা, ইমপ্রোভাইস প্রোজেক্তর লোঞ্চর অমা কাংপোকপী জিলাদগী ফাগৎখি।

পুলিসকী পাউনা হায়-হোজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা তোঙান তোঙানবা মফম ১৩৬ তা চেক পোইন্টশিং হাংদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথ্খরি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৪৬৯ ইম্ফালোমদা চংল্লকখ্রে।

**মীখলঃ** ভারতকী ইলেক্সন কম্মিসনননা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মতম ঙরাং লাউথোকখ্রে। খুদক্তগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট চৎনরে। মীখল অসি মথং থাগী ১৯ দগী হৌরগা তাঙ্কক ৭ থোকা পাঙথোক্কনি।

মনিপুরগী ওইনা লোক সভা কেন্দ্র অনিমক্তা তাঙ্কক অনিথোকা ভোট থাদনগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা মথং থাগী ১৯ দা ভোট থাদনগনি । অদুগা অনিশুবা তাঙ্কক্তনা মথং থাগী ২৬ তা ভোট থাদনগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা জিরিবাম নত্তনা তম্পাক্কী বিধান সভা কেন্দ্র পুমমক অমসুং চীংগী বিধান সভা কেন্দ্র ৮ দা ভোট থাদনগনি। অনিশুবা তাঙ্কক্তা জিরিবাম অমসুং চীংগী

লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১২ দা ভোট থাদনগনি।

চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নর রাজিপ কুমারনা ঙরাং মীখলগী মতম অদু লাউথোক্লদুনা হায়- মীখল অসিগী ভোট মশিং জ্ন ৪ দা থীগনি। লোক সভা মীখল অসিদা ভোতর কোতি ৯৭ না পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ১০ হেনবদা ভোট থাদনগনি। মসিদা নৌনা ভোতর চল্লবা নহা কোতি ১ লাখ ৮২ না অহানবা ওইনা ভোট থাদগনি।

লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্ককী নোতিফিকেসন থা অসিগী ১৮ দা থোক্কনি। অনিশুবা ফেসকী মীখলগী নোতিফিকেসন থা অসিগী ১৯ দা, অহুম শুবা ফেসকীনা থা অসিগী ২৮ দা অমসুং মরিশুবা ফেসকী মীখলগী নোতিফিকেসননা এপ্রিল অনিদা থোক্কনি। ৫ শুবা ফেসকীনা এপ্রিল ১০ দা, ৬ শুবা ফেসকীনা এপ্রিল ১৬ তা অমসুং ৭ শুবা অমদি অরোইবা ফেসকীনা এপ্রিল ২২ দা নোতিফিকেসন থোক্কনি।

**বিজেপি (এল)ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোরকপদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

দলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোরকপা অসি লৈবাক অসিগী চাউখৎ খোঙথাংদা য়ামা মরুওইবা মীকুপ অমনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা মীয়াম পুমমকা শরুক য়াবীদুনা মীখল অসি মায় পাক া পাঙথোকমীন্নসি হায়নসু দল অসিনা হায়রি। দল অসিনা মীয়ামগীদমক চোকথবা লৈতনা হোৎনগে হায়না লেপখিবা ৱারেপশিং থবক্তা ওন্থোকবগী তঞ্জা অমা হন্দক্কী মীখল অসিনা পীরগনি।

**নোংমৈ (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা লৈবা লাইসেন্স য়াওবা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা নোংমৈশিং অদু পীখৎলকবা হায়রি। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদ থোকপা হুকুম অমদা ৱাফম অসি

খঙহল্লকপনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদ টি.ঐচ কিরন কুমারনা থোকপা হুকুম অমদা, জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা লাইসেন্স য়াওবা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা মখোয়গী নোংমৈশিং অদু পীখৎলক বা খঙহল্লি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লোক সভা মীখল অসিদা মীয়ামনা দল অসিগী মীরেপশিং শৌগৎপীদুনা লৈবাক অসিদগী শেঙ্গা থুমজা মুথৎতুনা চাউখৎ মায়কৈরোমদা হেন্না চংশিনমীন্নরসি।

করনাতক্কাগী কালবরগীদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-আয়ুসমান ভারত স্মিগী মখাদা করনাতক্কী মীওই লাখ ৮০ রোমদা কান্নবা ফংহনখ্রে। নুপী লাখ ৪০ হেনবদনা উজৱালা স্কিমগী খুথাংদা এল.পি.জি. কন্নেক্সন ফংহনখ্রে। মসিগীসু মথক্তা পি.এম. অৱাস য়োজানগী মখাদা মীওই লাখ ৮ রোমদা লৈননবা য়ুম শাখ্রে।

শ্রী মোদিনা করনাতকপু লৌউ শিংউ অমদি উদ্যোগশিংগী মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

**বেদমিন্টনঃ** ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী সেমি ফাইনেলদা ঙসি ভারতকী লক্সে সেননা ইন্দোনেসিয়াগী-জোনাতন ক্রিস্তিগা থেংনরগনি।

বরমিংহমদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দোনেসিয়াগী স্তার সটুলর-এন্থোনি ফাইনেল চংখে। মহাকা ফ্রান্সকী খৃস্তো পোপোকপু ১৯-২১, ২১-৫ অমসুং ২১-১১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখিবনি।

**জয়শঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডা: এস. জয়শঙ্কর থা অসিগী ২৩ দগী হৌদুনা নুমিৎ ৫ নিগী খোংচৎতা শিঙ্গাপুর, ফিলিপিন্স, মালেসিয়াদা

খোংশাল্লগনি। মহাক্কী খোংচৎ মনুংদা লৈবাক অহুম অসিগা ভারতকা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারি শান্নগনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা-লোক সভা মীখল ২০২৪ তাঙ্কক তরেৎ থোকা এপ্রিল ১৯ দগী হৌরগনি হায়বা পাউ, অন্দমান চৎকদবা নুপী পাউমীশিংগী টিম চীফ মিনিস্তরনা লমথাখ্রে অমসুং কামজোংদা লৈরিবা রিফ্যুজি কেম্প মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মীহুৎশিংনা য়েংশিনখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-১৮ শুবা লোক সভা মীখল মনিপুরগী ওইনা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬ পাঙথোক্লগনি। জন মরিদা ভোট মশিং থিগনি হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা ফোংনরি।

চিন-কুকি, সান বারমিজ রিফ্যুজিশিং তোঙান তোঙাননা লৈরি। কামজোং জিলাদা হাংলিবা রিফ্যুজি কেম্প এম.ঐচ.আর.সিগী চেয়ারপার্সন-য়ু.বি. সাহনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-লোক সভা মীখল তাঙ্কক তরেৎ থোকা এপ্রিল ১৯ দগী হৌরগনি হায়বা পাউগা লোয়ননা মীরেপশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ৱাকায় নৎত্রগা লন্নাইগী ওইবা ৱাফম চিংথোক্কুনা ঙাংলোইদবনি হায়বা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-রাজিব কুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরগী ইন্নরগী মীখল এপ্রিল ১৯ অমসুং আউটরগীনা ১৯ অমসুং ২৬ তা তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা পেরা মিলিটরি কম্পানি ২০০ রোম মীখল অসিদা মথৌ তৌগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর ন্যুজতসু অহানবা লামাইদা ফোংলি। য়ুনাইটেদ ত্রাইবেল ভোলুন্টিয়ারনা আই.টি.এল.এফকী থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-নুপী পাউমীশিংগী ওইবা অন্দমান নিকোবরগী খোঙচৎ অমা চীফ মিনিস্তর-নোংথোম্বম বিরেননা লমথাখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর ন্যুজ, পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি। চুরাচান্দপুরগী খুল ঙাকপশিং বঙ্কর থাদোক্তুনা চৎনখ্রে, টোটেল সটদাউন্দ চথখ্রে হায়বা পাউ অমসু ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-এপ্রিল ১৯ দগী জন্ অমা ফাওবা তাঙ্কক তরেৎ থোকা মীখল পাঙথোক্লগনি। ই.সি.আইনা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌরি। তেরা খোংশাংবী মনিংগী লৌফমশিং মশক খঙদবশিংনা মৈ থারম্লে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং মনাক নকপা জগাশিংদা ভোট থাদবা য়াগনি হায়বা ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-কোকোমিগী অথৌবনা য়ু.এনগী মীফমদা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে হায়বা পাউ এঙ্কর কলমদা ফোংলি। থা ১১ গী তলব পীথোকবা ওজাশিংনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফমদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-লৈবাক অসিগী ১৮ শুবা লোক সভা মীখল ২০২৪

তাঙ্কক তরেৎ থোকা পাঙথোল্লগনি লাউথোকখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা থা ১১ লান নংলক্লবা মনিপুরদসু সিট অনিগী মাখল পাঙথোল্লগনি হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মুকবা খরা থোকখ্রবসু খুরায় অহোংপুংদা শরোই খাংখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।